**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য পুলিসনা থি হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লুপগী লালহৌবা কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রোজগার মেলানা নহারোলশিংবু শক্তী পীদুনা ভিক্সিট ভারত অমা শেমগৎপদা থৌদাং লৌহনবা সরকারগী ফিরেপ উৎলি।

অমসুং

৩) ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যু ওফ আয়ুরবেদনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুগদবা জাতিগী থাক্কী সেমিনার- সল্যাকোন ২০২৫ ঙসিদগী হৌরগনি।

**-------**

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা আইন্না য়াদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি-হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোংপাল চীংঙাংবম লৈকাইদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (অপুনবা)গী মীওই অমা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থৌবাল ডাম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লাইখোংদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনিসু ফারে।

থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং কৈথেলদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মাওই অমা ফারে। মীওই অসি থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নমদুনা শেল খোমগৎপা, শেলগী দিমান্দ তৌবা অমসুং লুপ অসিগী অনৌবা কাদরশিং রিক্রুট তৌবদা চেন্নবা মীওইনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী বজারদগী কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মীয়াম, লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওইশিং অমসুং সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী মাইকৈদগী মোটোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা নিয়ম লান্না গাড়ি থৌবা অমদি গাড়ি খান্বা মীওইশিংদগী চলান ককপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং চলান ২৪ কক্তুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৪৩,৫০০ খোমগৎখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতনা ত্রাফিক রুল থুগাইবা অমসুং রেজিষ্ট্রেসন সার্তিফিকেট দোক্কুমেন্টশিং য়াওদবা, নম্বর প্লেট নপতবা গাড়ি ২৫ দিটেন তৌখি অমসুং গাড়ি ১৬ তগী টিন্তেদ ফিলমশিং লৌথোকখি।

দিসা (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা নুমিৎ নিনিগী দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (দিসা)গী মীফম ঙরাং জিলা অসিগী দি.সি. কনফরেন্স হোলদা লোইশিনখ্রে। মীফম অসি দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিভলপমেন্ট এজেন্সি বিষ্ণুপুরনা শিনবনি। থৌরম অদুদা এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমদি দিসা কমিতিগী চেয়ারপার্সন শরুক য়াখি।

পিএম(এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রোজগার মেলানা নহারোলশিংবু শক্তী পীদুনা ভিক্সিট ভারত অমা শেমগৎপদা থৌদাং লৌহনবা সরকারগী ফিরেপ অদু উৎলি। সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী নৌনা

থবক খল্লবা নহা লিশিং ৫১ হেনবদা ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা এপোইন্টমেন্ট লেতর য়েন্থোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসিদি মালেম অসিনা ভারতকী মরুওইবা শক্তী অনি-দেমোগ্রাফি অমসুং দেমোক্রেসিবু শক খঙবীরে।

নৌনা থবক খল্লবশিং অদুগী মফমদা নুঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিগী রোজগার মেলাগী থৌরাংনা নহা লাক্ষ কয়াদা কেন্দ্র সরকারগী থবকশিং হান্ননা ফংহনখ্রে। মখোয়শিং অদুনা লৈবাক অসিবু শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

প্রাইভেট সেক্তরদা নৌনা থবক পীবগী খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লিবা অসিগী মতাংদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা ইমপ্লোইমেন্ট লিঙ্ক ইসেন্তিভ স্কিম কৌবা অনৌবা স্কিম অমা হন্দক্তা অয়াবা পীখ্রে। মহাকা হায়-মসিগীদমক সরকারনা লূপা কোতি লাক্ষ ১ রোম কাইথোক্লে অমসুং মসিনা মীওই কোতি ৩ মখায়রোমদা থবক ফংহনবদা মতেং ওইরগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী হেনবা শক্তি অমদি পোৎচৈ শাবগী লম অসিনা ওইরি। লম অসিনা মীওই কয়াদা নৌনা থবক পীরি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী পোথোক পুথোকপগী চাং লূপা কোতি লাক্ষ ১ লিশিং ২৫ হেন্দুনা লম অসিদা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লি। ইন্তরনেসনেল লেবর ওর্গনাইজেসনগী হন্দক্তা পুথোকখিবা রেকোর্দতা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ৯০ হেন্না চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংদা কোনশিনবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

আয়ুরবেদ ঃ ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যু ওফ আয়ুরবেদ (এ.আই.আই.এ)না শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুগদবা জাতিগী থাক্কী সেমিনার সল্যাকোন ২০২৫ ঙসিদগী হৌরগনি। থৌরম অসি সুস্রুতা জয়েন্তিগা মরী লৈননা শিনবনি। চহি খুদিংগী জ্লাই ১৫ দা পাঙথোকপা সুস্রুতা জয়েন্তি অসি সরজরিগী মপা হায়না খঙনবা অচারিয়া সুস্রুতাবা নিংশিংবা ওইনা পালন থৌরম পাঙথোকখি।

সেমিনার অসিদা জেনেরেল সরজরি, এনোরেকতেল সরজরি অমসুং য়ুরো সরজিকেল কেসশিং য়াওনা সরজিকেলগী লাইভ দেমোন্সত্রেসন কয়াসু উৎকনি। অহৌবা নুমিৎতা জেনেরেল এন্দোস্কোপিক, লেপারোস্কোপিক সরজরি ১০ পাঙথোক্কনি।

দব্লিউঐচও ঃ ভারতনা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সপু মহৌশাদগী চৎনরকপা অনা লায়েং, মরুওইনা আয়ুসকী থৌওংগা পুন্না চৎমিন্নহন্নবা হোৎনরিবা থৌরাং অদুবু ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ.ঐচ.ও)না খঙবিখ্রে।

দব্লিউ.ঐচ.ওগী টেকিকেলগী ওইবা ৱারোলদা ফোংদোক্লিবা মহৌশাগী অনা লায়েংদা এ.আই শিজিন্নবগী থৌওং অদুবু তরাকা ওক্লদুনা আয়ুস মন্ত্রালয়না মসি ভারতকী মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা অনা লায়েংগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থৌওংনি হায়রি।

কেন্দ্রগী আয়ুস রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাও যাদবনা হায়- মসিমক আয়ুরবেদ, সিদ্ধা, য়ুনানি, সোৱা রিকপা অমসুং হোমিওপেথিনচিংবদা এ.আই. য়াওনা টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা মমাংঙৈদগী চৎনরকপা থৌওংগা হৌজিক্কী মতমগী ওইবা থৌওংগা পুন্না চৎমিন্নবগী লমদা ভারতকী ফিরেপ অদু উৎলি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগী নুমিৎ হুমিগী সিঙ্গাপুর অমসুং চাইনা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। সিঙ্গাপুরদা মহাকা লৈবাক অদুগী মপান থৌরম মন্ত্রি অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মহাক্কী চাইনা খোঙচৎতা ডাঃ জয়শঙ্করনা তিয়ানজিনদা পাঙথোক্কদবা এস.সি.ও কাউন্সিলগী বিদেশ মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা য়াওবা লাকপা লুচিংবা কয়াগসু মহাকা তোঙান্না উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

এৱার্দ ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না লেমজনিঙাই ওইরবা টেঞ্জিং নোর্গে নেসনেল এভেঞ্চর এৱার্দ ২০২৪ গীদমক নোমিনেসন পীখৎলকবা কৌরি। নহারোলশিংনা শিংনবা ফিভম কয়াগী মরক্তা এভেঞ্চরগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবশিংদা মনা অসি পীগদবনি। আর্জ্ন এৱার্দকা লোয়ননা চহি খুদিংগী ওইনা পীবা টেঞ্জিং নোর্গে নেসনেল এভেঞ্চর এৱার্দ অসি কেটাগোরি মরি- লেন্দ এভেঞ্চর, ৱাটর এভেঞ্চর, এয়ার এভেঞ্চর অমসুং হায়রিবা লম অহুম অসিদা লাইফটাইম এচিভমেন্টকীদমক পীগনি।

টেন্নিস ঃ ৱার্ল্ড নম্বর ফোর ইগা স্বেতেদনা ৱিম্বলদন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌরে। ঙরাং নুমিদাং লন্দনগী সেন্তর কোর্টতা মিনিত ৫৭ খক্তং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মহাকা থার্তিন সিদ অমনদা এনি-সিমোভাবু ৬-০, ৬-০ দা মায়থিবা পীখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঙসি ৱার্ল্ড নম্বর ৱান-জেনিক সিনরগা সেকেন্দ সিদ-স্পেনগী কারলোজ অলকারাজগা থেংনগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা সেন্তরগী মাইকৈদগী মীতৈ অমসুং কুকিগী লুচিংবশিং অনিগী মরক্তা ৱারী শান্ননবা থমখিবা ৱাফম, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা লম খোপচিনদুনা দুকান্নচিংবা শাজিল্লম্বশিং তকথোকখিবগী পাউ অমসুং ইয়ার ইন্দিয়া ফ্লাইট কায়খিবগী থৌদোক করমা থোকখিবনো হায়বচিংনবা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা শঙাহ এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল,

নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক অমসুং মণিপুর মেল পাউচেশিং অসিদা ফোংনরি।

সেন্তরনা মীতৈ অমসুং কুকিশিং ৱারী শান্নহনগদৌরি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিস্বা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অসিমক্কী ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ষ্টেট অসিদা লাক্কনি নত্রগা লাক্লোই হায়বা অথুবদা খঙলগনি হায়বা পাউ, পাউচে অসিমক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

এয়ার ইন্দিয়াগী ফ্লাইট ১৭১ কায়খিবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহমেদবাদ প্লেন কায়বগী প্রিলিমিনরি রিপোর্ট, পাইখৎপগা ইঞ্জিন অনিমক্তা থাউ লাকখিদে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক নহারোলগী থৌদাংদা এয়ার ইন্দিয়া ফ্লাহট ১৭১ ক্রাস, সুইসাইদ ক্রাস অমরা হায়বগী অচৌবা ৱাহং থোরক্লে হায়না ফোংলি।

মিজোরমদা অসাম রাইফলসনা লুপা কোতি ১১৩.৩৬ কী ড্রগ, দিটোনেতর লিশিং ৭ ফারে হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কৈশামপাৎতগী মালোম ফাওবগী পরিংদা ফুট পাথতা শাজিল্লম্বশিং ইভিক্সন তৌখ্রে হায়বা পাউ, পাউচে অসিমক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংনরি।

য়েলহৌমী কনশি হায়না চিন খক্তদা লাউরগা লৈবগী মহুৎতা থবক ওইনা উৎশি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্টনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু নহারোলগী থৌদাংগী এনকর কলমদা ফোংলি।

মে ৩, ২০২৩ দগী হৌরকখিবা লান্না ওইহল্লকপা লৌউ উবদা সিফাই ঙাকপগী অনৌবা শিন দিষ্ট্রিক্ট খরদা ফ্লায়িং স্কৱাদ ফাওবা শেল্লবসু লল্লাই এসেম্ব্লি

কন্সটিট্যুন্সিদদি সিফাইনা থিংদুনা লৌবুক্তা লৌমীশিং চংহনদ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নুমিৎ ৪০ নিগী মনুংদা মথং মথং লৈখিদবা আই.দি.পি ৫ শুরে হায়বা পাউসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

প্রসিদেন্ট রুল লৈঙাক্কী থৌশিলদা আই.দি.পিশিং পেন্নদ্রে, নৌনা প্রি-ফেব্রিকেতেদ হাউস শাবগী মহুৎ ইশাগী য়ুম শাবীয়ু- ইনমেটশিং হায়বসিনা সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল ময়োলগী লম্বী কোমকুৎ ঙাক্তা ঙাইরে হায়বা পাউ অমসু পাডচে অসিমক্কী এনকর কলমদা ফোংলি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্কী  দি.সি. কনফরেন্স হোলদা নুমিৎ নিনি চথুরকখিবা দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতিগী মীফম লোইশিনখ্রে। মীফম অদুদা এম.পি. বিমোলনা শরুক য়াদুনা স্কিমশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি

-------